# মতিক চাবা ট্রেনিং সেন্তর লৈতনা করম্না অফবা জিম্নাষ্ট পুথোরকপা ঙমগদৌরিবনো ঃ য়াংলেম বোনি



য়াংলেম বোনি
( ষ্টেট সেনিয়র কোচ, জিম্নাষ্টিক্স)



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## জিম্নাষ্টিক্সতা মিৎয়েং অমা

(হান্নগী মখা...)

জিম্নাষ্টিক্স হায়বসি মার্দর ওফ ওল স্পোর্টস হায়নৈ। মালেমগী ওইনা ৱাফমসি লোইনমক্তসু য়ানৈ। তশেংনমকসু জিম্নাষ্টিক্সতা মুন্না তোৎলগা চাউরকপা প্লেয়রদি মার্দর স্পোর্টসনি হায়বা মুন্না খঙবা লৈবাকশিংননি ঙসি ওলেম্পিক্তা মেদল মশীং য়াম্না লৌবা ঙম্লিবশিং অসি। ঙম্লিঙৈ মতমদা রুসিয়া (সোভিয়েট য়ুনিয়ন হায়না লৈরিঙৈদা) না ওলেম্পিক্স মেদল খ্বাইদগী লৌবসি জিম্নাষ্টিক্সতনি। মথংদা জপাননি। হৌজিক্তি চিনা, য়ু এস এ, জর্মনিনচিংবদসু পাক্তকুনা জিম্নাজিয়ম হোল শাদুনা মশান্না অসিগী কান্নবশিং মুন্না খঙদুনা মাঙজৌননা অকনবা মিৎয়েং থম্নখ্রে।

জিম্নাষ্টিক্স হায়বসি গেম মশামক্তুগী লৈরিবা ইলিমেন্ট ময়ামদুদা চান্নবা য়াওরগনা অদুম শান্নখিবা য়াই নৎত্রগনা মালেমগী ওইনা লৈরিবা ওলেম্পিক্স গেমসকী ইভেন্ট অমদা হেক্তা চান্নবা থিরগা শান্নখিবদসু চাশিন্নবা লায়না থোকই। হকচাংগী মুভমেন্ট খুদিংমক অসি জিম্নাষ্টিক্সতা তকখায়দুনা ট্রেনিং তৌবা লোয়না য়াই। খুদম অমদা, ফুটবোল্লর অমনা গোল চল্লুরগা নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা লোংহুনগা তৌরিবসি জিম্নাষ্টিক্সকী পার্ট অমনি। অদুগা ঐনা য়াম্না পেঞ্জদবা নুংঙাইজদবসিনা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মুভমেন্টতা মরুওইবা থৌদাং লৌবিরিবা ওফিসিয়েলশিংনা জিম্নাষ্টিক্স হায়বসি করিনো হায়বা ঙসি ফাওবা মুন্না খঙবা ঙমদবসিনি। মতাংসিদা ঐনা হায়নীংই মদুদি জিম্নাষ্টিক্স মশক খঙবা ঙমদবা লৈবাক্লা কৈদৌনুংদা ওলেম্পিক্স মেদল মশীং য়াম্না লৌবা শুকঙম ঙম্লোই। ওলেম্পিক্স মেদল মশীং য়াম্না লৌবা ঙম্লনবা মফম চাবা য়েংলগা জিম্নাজিয়ম হোল থমগদবনি। চিনাদা, য়ু এস এদা, জর্মন্দা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না থম্বসি জিম্নার্জিম হোলনি।

হৌজিকপুদি ইন্দিয়াদা জিম্নাষ্টিক্সকী মতাংসি অহোংবা খরা লাকখ্রে। ত্রিপুরাদগী দিপা কর্মাকর থোরকখিবদগী মশান্না মখল অসি প্রাইওরিটি দিসিপ্লিন্দা হাপ্লে। হান্নদি পুরা নেগলেক্ট তৌদুনা থম্বা গেম অমা ওইনা মতম শাংনা লৈরকখি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে, অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুং চন্না লৈরিবা ত্রিপুরাদগী বঙ্গালি মচা দিপা কর্মাকরনা ওলেম্পিক্স এরেনা য়ৌদুনা মরিশুবা পোজিসন ফাওবা য়ৌখিবা অসিমক্তি সাইনা ষ্টেট অদুদা জিম্নাষ্টিক্সকী হোল অমা মতম চানা থমখিবদগীনি।


ঐখোয়গী ষ্টেটসিদদি সাইগী খুত্থাংদগী ওইরবসু মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মিৎয়েংদগী ওইরবসু জিম্নাজিয়ম হোল অমত্তা ঙসি ফাওবা থম্বীবা ঙমদবনা ইন্টরনেসনলে ফিগর পুথোকপা ঙমদবনি। মণিপুর মচাসু ইন্দিয়াদা মশান্না অসি হেক চঙলকপদগী শান্নবা হৌরকখ্রবনি। সাইনা নৎত্রগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মথং মথং শাগৎলকপা মতমদুদা জিম্নাজিয়ম হোল অমতং য়াওবীরম্লগদি মণিপুরদগী অফাওবা জিম্নাষ্ট য়াম্না পুথোকপা ঙম্লমগনি। দিপা কর্মাগরদগী হেন্না ফজবা অঙাং ঐখোয়গীসু থোরক্তবা নত্তে। গেম মখল অসিদি মোঙ্গোলোইদ গ্রুপকসু হেন্না চানবনি। মতিক চাবা ট্রেনিং হোল লৈতবনা ফুদোক্তুনা তাকপদা অশোয় অঙাম থোক্তদ্রা খনবগী য়ৌহন্নিংলিবা থাক অদু য়ৌবা ঙমদবনি। হোল অমা শাবিনবা তক্করকপসিসু মতম শাংলক্লে। ঐহাক্না য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা এম পি এস সীনা কৌরকপদগী থবক চঙজরকখিবসি কুমজা ১৯৮৭ কী জান্যুৱারী ৯ দগীনি। মণিপুরগী ওইনা মশান্নসিদা কোচ ওইনা চঙলকখিবসিসু ঐহাক্না অহানবনি। হায়রিবা চহীদুদা ঐহাক এন আই এসকী ওইনসু ওফর ফংজখি। পোষ্টিংদু গুৱাহাটিদা পীরকখি। মতমদুদা ঐগী ৱাখলদা লৈখিবদি ষ্টেট কোচ ওইনা লৈরগা অফবা জিম্নাষ্ট পুথোক্কে হায়বসিনি। ট্রেনিং লোইরগা থোরকপদসু ঙাইজরিবনিনা অফবা অঙাং খরদি শেমজগে হায়না কন্না খনখি। ঐহাক্না খনখিবশিং অদু হৌজিকসু থুংবা ঙমদ্রি। -মথং-মথং

HL-B/3755/11/3-10/4



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৪৬

1. অহানবা নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস ফেষ্টিবেল কুমজা ১৯৮৭ তা ইম্ফালদা পাঙথোকখি। গেমস অদুদা সনাগী মেদল ৬ ফংখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।
2. থোঙাম কৃতি সিংহ মেমোরিএলগী অহুম্লকশুবা ট্রোফি করম্বা গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবগে?
3. মখুরানা পাকিষ্টানগী জেনরেল ওইরম্বা, মশামক্না ইন্দিয়াগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) ওইনবা ভোট লেপ্পদা কাখিদবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই?
4. মণিপুরগী চৎনবী মতুং ইন্না থংনবা থা অনীগী তঙ্খায় তঙ্খায় শগোল কাংজৈ শান্নবা য়ারমদে। শগোল কাংজৈ শান্নবা য়াদবা থা তঙ্খায় অনী অদুগী মমিং হায়য়ু।
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫ থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/ থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

HL-B/3792/3/4-2/5
